ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা ৰর্করস য়ুনিয়ন মণিপুর (রুম)গী শিন্মীশিংদা মোর চোইস প্রাইভেট লিমিটেদনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখিবা

লামায় ৩

মীয়ামদা ঈ-পাউ ফংহন্নবগীদমক পাউচে য়েন্থোকপগী থৌদাং লৌরিবা মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী নুপী মেম্বরশিংদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংবা

লামায় ১

কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা কোলেজ অসিগী ওজাশিংগা খুৎশম্নদুনা মপাউ জিংতুনদা লৈবা চিলদ্রেন হোমদা চান-থকুবা পোৎলম তোংবাংখিবা

লামায় ২

মোইরাং কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা মোইরাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী ওক্সিজেন সিলিন্দর অমদি তেংবাং পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.049 শগোলশেন, কালেনগী ২২নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Thursday, May 14, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

মিদল ক্লাসকী মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীগদবা থৌরাং কয়া লৈঙাক্না লাউথোকখ্রে

এম এস এম ইশিংদা কোলেটরেল-ফ্রী লোন পীরগনি; টি দি এস, টি সী এস চাদা ২৫ হন্থরে : নির্মালা সিতারমন

ন্যু দিল্লি, মে ১৩ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা মতমদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং কোকহন্নবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা মিদল ক্লাস কাঙলুপকী মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীগদবা থৌরাং কয়া লাউথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং লুপা ক্রোর লাখ ২০গী ফাইনান্সিএল পেকেজ অমা লাউথোকখ্রবা মতুংদা পেকেজ অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং পল্লদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মীচম মীয়ামগী মখুৎতা শেল মরাং কায়না লৈহন্নবগী পান্দমদা টেক্স দিদক্সন এট ছোর্স (টি দি এস) অমসুং টেক্স কল্লেক্সন এট ছোর্স (টি সী এস) চাদা ২৫ হন্থরগনি। অনৌবা কাঙলোন অসি কন্ট্রেক্ট, প্রোফেসনল ফী, শেন্দোয়, রেন্ট, দিভিদেন্ট, কম্মিসন অমদি ব্রোকরেজনচিংবগী শেল পীবদা চৎনগনি।

মিদল ক্লাস কাঙলুপকী মীওই কয়ামরুমদা কান্নবা ফংহনগদৌরিবা থৌরাং অসি হয়েংদগী হৌরগা শেনবা চহী লোইবা (কুমজা ২০২১গী মার্চ) ফাওবা চৎনগনি। চেরিটেবল ট্রষ্ট, নন-কোর্পোরেট বিজিনেস, প্রোপ্রাইটরশিপ, পার্টনরশিপ, এল এল পি অমদি কোওপরেটিভশিংগী পন্দুনা লৈরিবা রিফন্দ খুদক্তা পীথোক্লগনি হায়নসু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, শেনবা চহী ২০১৯-২০ গী ওইনা ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌবগী মতম চহী অসিগী জুলাই ৩১ অমসুং ওক্টোবর ৩১ ওইরম্বদগী নবেম্বর ৩০ ফাওবা শাংদোক্লগনি। টেক্স ওদিটকী মতমনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩০ ওইরম্বদগী ওক্টোবর ৩১ ফাওবা শাংদোক্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা ইকনমিক পেকেজগী শরুক খরা পল্লদুনা মহাক্না মাইক্রো স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস (এম এস এম ঈ), নন-বেঙ্কিং ফাইনান্সিএল কম্পেনি (এন বি এফ সী), মাইক্রো ফাইনান্স ইনষ্টিট্যুসন (এম এফ আই), প্রোভিদেন্ট ফন্দ, রিএল ইষ্টেট অমদি টেক্সেসনগা মরী লৈনবা থৌরাং ১৫ লাউথোকখি। খ্বাইদগী মরুওইবা ৰাফমদি এম এস এম ইশিংদা লুপা ক্রোর লাখ ৩গী লোন গরেন্টর য়াওদনা পীরগনি হায়বসিনি। ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ (ঈ পি এফ)তা ইমপ্লোয়রশিংনা পীবা শেনখায় হন্থহনবা, দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনিশিংদা লুপা ক্রোর ৯০,০০০গী খুদোংচাবা পীবা অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী থবক শুবা কন্ট্রেক্টরশিংদা থা ৬ ফাওবগী মতম শাংদোক্লা খুদোংচাবা পীবগী ৰাফমসু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

ঈ পি এফকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, থাগী বেসিক পে লুপা ১৫,০০০ হেনবা ইমপ্লোয়ীশিংনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

বি জে পিদা চোঙশিনখিবা এম এল এ ৭মক্কী মথক্তা পিটিসন ফাইল তৌরক্লে

জষ্টিস নোবিনগী বেঞ্চতা ঙসি পিটিসন তরেৎমক খন্নরগনি

ইম্ফাল, মে ১৩(ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিগী মপূং ওইবা পার্টি বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা কোংগ্রেস এম এল এ তরেৎকী মনুংদগী মরিগী মথক্তা ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মখোয়বু অথুবা মতমদা দিসক্কালিফাই তৌহনবীনবা স্পিকরদা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়দুনা পিটিসন মরি ফাইল তৌখ্রবা মতুংদা ঙসিসু ৰাংহৌরিবা এম এল এ অহুমদুগী মথক্তসু চপ মান্নবা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকপদগী অপূনবা কেস তরেৎমক হয়েং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা খন্নবা লিষ্ট তৌখ্রে।

ঙরাং ফাইল তৌখিবা পিটিসনশিং অদুনা কোংগ্রেস এম এল এ দি দি থাইসিনা য়েংখোম সুরচন্দ্রগী মথক্তনি অদুগা কৈশাম মেঘচন্দ্র, ওক্রম হেনরি অমসুং গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মথংশিংনা ঙমথং হাওকিপ, ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন অমসুং পাওনম ব্রোজেনগী মথক্তনি। ঙসি পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবনা এম এল এ কাংঙুজম রঞ্জিৎ, সুর্জকুমার ওক্রম অমসুং খুমুকচম জয়কিষননা মথংশিংনা ওইনাম লুখোই, গিনসুৰনহাউ অমসুং সনসম বিরগী মথক্তনি।

পূন্না পিটিসন তরেৎমক কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা রিসিভ তৌখিবগা লোয়ননা মথংশিংনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ২২০ ওফ ২০২০, ২২১ ওফ ২০২০, ২২২ ওফ ২০২০, ২২৩ ওফ ২০২০, ২২৪ ওফ ২০২০, ২২৫ ওফ ২০২০ অমসুং ২২৬ ওফ ২০২০ ওইনা লৌখৎখ্রে। অদুগা হয়েং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ১ দগী ৭ ফাওবদা পূন্না লিষ্ট তৌদুনা খন্নবা লৌখৎখ্রে।

কোংগ্রেস এম এল এ তরেৎনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা পার্টি অসিদগী বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ তরেৎকী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসনশিং অসিগী প্রেয়র অমসুং কেস পার্টিশিং চপ মান্নে। পিটিসন তরেৎমক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরি অমদি পার্টিদগী দিফেক্ট তৌখ্রবনি হায়রিবা কোংগ্রেস এম এল এ তরেৎনি। হয়েং বেঞ্চ অসিদা খন্নবগীদমক মসিগী কোজ লিষ্টকী মোসন আইটেমদা লিষ্ট তৌরবা পিটিসনশিং অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপ্পগা মহাক্কী জুনিয়র কাউন্সেল এ রোম্মেলনা এসিষ্ট তৌগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, বি জে পিদা য়াওশিনখ্রে হায়রিবা এম এল এশিং অসিগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা পিটিস্নর ১৫না স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা দিসক্কালিফিকেসন কেস ১৫ ফাইল তৌরক্লুনা ৱায়েল চখনবগী থবকশিং লৌখৎলক্লিবনি। কেস ১৫ অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা এম এল এ তরেৎকী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকপা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা লৌখৎতুনা দিসক্কালিফিকেসন কেস ১৫গী মেন্টেনেবিলিটিগী মতাংদা থা অসিগী ৮দা হিয়রিং পাঙথোকখ্রবনি। মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লক্লিবনি।

মেঘালায়াদদি চহী ৬০গী মথক্তা লৈবশিং কোমথোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩(ঐচ এন এস): মেদিকেল চ্যেক অপ অমদি ইসেন্সিএলগী ওইবা থবকশিংগা মরী লৈননা সিনিয়র সিটিজনশিংনা পাস লৌননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরে হায়দুনা থাঙ্গৎলকখিবা ৰাকৎশিংগী য়েংলগা মেঘালায়াদা লৈরিবা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা সিনিয়র সিটিজনশিংবু ভেহিকল পাস অমসুং কর্ফিয়ু পাস লৌহন্নবগী থৌরাং অসিদগী কোমথোকহন্নবা মেঘলায়াগী চীফ সেক্রেটরিনা ষ্টেট অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা খঙহনখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনসু ওর্দর অমা থোক্লনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা সিনিয়র সিটিজনশিংনসু মশাগী চহী তাক্লবগীদমক ভেলিদ ওইবা ফোটো আই-দি কার্দ অমমম্ লোয়নদুনা চৎনবসু খঙহনখ্রে।

তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩(ঐচ এন এস): রাম কৃষ্ণ মিসন ইম্ফালনা তেরা তোংব্রম লৈকাইগী শোথরবা ইমুং ১৫৩দা ঙসি চান-থক্লবা য়াওনা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম কয়া তেংবাংখ্রে। তেরা তোংব্রম লৈকাই য়ুঠ ফোরমগী মেম্বরশিংগী তেংবাংগা লোয়ননা খনগৎলবা শোথরবা ইমুংশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

মণিপুর হোকর এসোসিএসননা নুপী মেম্বরশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩(ঐচ এন এস): মণিপুর হোকর এসোসিএসননা এসোসিএসন অসিগী নুপী মেম্বরশিংদা চেঙ, মনা-মশীং য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা চথরিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবঁ চৈরক অসিদা তেংবাং পীরকখিবগীদমক নুপী মেম্বরশিংনসু মণিপুর হোকর এসোসিএসনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৩ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.২৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৪৩ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩১

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫০

HL Poll

Q: Prime Minister na lupa crore lakh 20gi economic package laothorakpana shenmitlongi fibam fagathanba ngamlagani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Lakkadouriba numit kharanigi manungda shelthumgi fibam fagathannaba thabak paikhatlagani hairibasi oithokkani khanbra?

Yes 36% No 64%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ইতৈমগীদা খৈনি ফংঙেনা হরাউনা লাকচরগা লোইথোক্লম্বসিদি কোরোনা চঙদৌ মাল্লে...!

- ꯏꯇꯩꯃꯒꯤꯗꯥ ꯈꯩꯅꯤ ꯐꯪꯉꯦꯅꯥ ꯍꯔꯥꯎꯅꯥ ꯂꯥꯛꯆꯔꯒꯥ ꯂꯣꯏꯊꯣꯛꯂꯝꯕꯁꯤꯗꯤ ꯀꯣꯔꯣꯅꯥ ꯆꯪꯗꯧ ꯃꯥꯜꯂꯦ...!



- ইবুংঙো নঙ খৈনিনা ওইনা চাবা হৌরেদো !

- ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯅꯪ ꯈꯩꯅꯤꯅꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯆꯥꯕ ꯍꯧꯔꯦꯗꯣ!

পি এমনা মেগা ইকনমিক পেকেজ লাউথোকখিবা থাগৎলি : সী এম

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর লাখ ২০গী ইকনমিক পেকেজ লাউথোকখিবগী থৌওং অসি থাগৎলি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও মেসেজ অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা কা-হেন্না ফীভম শোকচিল্লক্লবা শেন্মীৎ-লোন ফগৎহন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা মেগা ইকনমিক পেকেজ অদু শীংথানিংঙাইনি। অত্মা নির্ভার ভারত অভিয়ানগী মখাদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরনা মীয়ামদা মরিক চুন্না খঙহল্লকখিবা ইকনমিক পেকেজ অদুনা ষ্টেট অসিদসু চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম এস এম ইশিংদা লুপা ক্রোর লাখ ৩ ফাওবগী কোলেটরেল-ফ্রী লোন পীরগনি হায়বা ৰাফমগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অৱাং নোংপোক লমদমদা এম এস এম ই মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরনা হীরম অসিদা চাউনা কান্নবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

চেন্নাইদগী হল্লকখিবা মীওই লিশিং ১ হেন্না জিরিবামদা থুংলবা মতুং মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টতা চৎনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): চেন্নাইদা পন্দুনা লৈরম্বা ষ্টেট অসিগী মীওই ১০০০ হেন্না অখন্নবা ট্রেন অমা তোংদুনা জিরিবামদা থুংলখ্রে। মীওইশিং অদু মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কারন্টিন তৌদুনা থম্নবা চৎনখ্রে হায়রি।

জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২০ তাবদা অখন্নবা ট্রেন অদু থুংলখিবা মতমদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশবাবু, এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) এল কাইলুন, সেক্রেটরি (ৱাটর রিছোর্সেস) জসিন্থা লজারস, জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈ, ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টর মর্সিনা পানমৈ অমদি অতৈ ওফিসল কয়ানা তরাম্না ওকখি।

জিরিবামদা থুংলখিবা মীওইশিং অদুবু হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ডোক্তরশিং অমদি অতৈ ওফিসরশিংনা স্ক্রিনিং তৌখি। তুংদা মীওইশিং অদু বস তোংলগা মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্ট মায়কৈ পাংখি। মীওই খুদিংমক্কী খুদাংদা নুমীৎ ১৪ নি কারন্টিন তৌগদবনি হায়বা ষ্টাম্প নমখি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট তম্না চৎকদবা পেসেঞ্জর ১২৬ তোংবা বস ৬ চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশবাবুনা জিরিবামদগী লমথাখি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা চীফ সেক্রেটরিনা হায়খি মদুদি, অহানবা ওইনা থুংলখিবা ট্রেনদা চেন্নাইদগী মণিপুরী ১০৮১ তোংলকখি। পেসেঞ্জর খুদিংমক

...মখা লামায় ৩ কলম ২

কোরোনাভাইরসনা ইন্দিয়াদা শিহনখিবা মীশীং ২,৫০০ হেনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩(ঐচ এন এস): মালেম পুম্বদা মিপাইনরিবা কোরোনাভাইরসনা ইন্দিয়াদা শিহনখিবা মীশীং ২,৫০০ হেনখ্রে।

ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী পূন্না কেস মশীং ৭৮,০৫০ য়ৌখ্রে। লোয়ননা লায়না অসিদগী ফগৎলকপা মীশীংনা ২৪,৩৮৫নি। মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পূন্না মীওই ২,৯৫,৮২৭ কোভিদ-১৯না শিহনখ্রে। অপূনবা কেস মশীংনা ৪৩,৯৪,৮০১ য়ৌখ্রে। অদুগা লায়না অসিনা নারুবদগী ফগৎলকপা মীশীংনা ১৬,৩৭,১৪৩নি।

পোষ্ট পেন্দমিক্তা দিমোগ্রাফিকেল ইম্বেলেন্স থোক্লক্কদরা হায়বগী মীপাইবা লৈরে : প্রো. নরেন্দ্র

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং খক নৎতনা মালেম পুম্বদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা ময়ূম লমদমদা হন্নিংলক্তুনা লাঞ্জেন্নবগুম থৱায়তা হিংহৌরবদি হায়দুনা মশা-মশাগী পোক্লফম লমদমদা হল্লক্লবা মীওই লাখ কয়ানা হোৎনরি। মপান্দা লৈরিবা মণিপুরী খুদিংমক্না করিগুম্বা ষ্টেট অসিদা হল্লক্লবদি কোভিদ-১৯গী পোষ্ট পেন্দেমিকতা দেমোগ্রাফিকেল ইম্বেলেন্স অমা লমদম অসিদা থোক্লক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈরে হায়না রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও ষ্টেটিষ্টিক্সকী হেদসু ওইরিবা দিমোগ্রাফর প্রো. আর কে নরেন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মণিপুরী কয়া ময়ূম লমদমদা হল্লকনিংবগী ৰাফম কয়া লাক্লিবা অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবা অমদা দিমোগ্রাফর প্রো. আর কে নরেন্দ্রনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মণিপুরী কয়ানা ময়ূম লমদমদা হল্লক্লনবা স্পাসিয়ল মুভমেন্ট চৎথরক্লবদি লমদম অসিদা হান্না লৈজরম্বা সোসল ষ্ট্রকচরদা চাউনা অহোংবা অমা লাক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোকই। মালেমগী চাউখৎলবা লৈবাকশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা নংলিবা চৈথেংশিং অসি মণিপুরদসু ফংলোই হায়নিংঙাই লৈতে। অসিগুম্বা মখলগী চৈথেং অসিদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্না য়াম্না কুপ্পথনা খন্নরবা মতুংদা মতীক চাবা পোরম-পোমিৎ

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

মপান্দগী থুংলরবশিং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উনবা য়াহল্লোইদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বদগী ষ্টেট অসিদা থুংলরবা মীওইশিং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উনবা য়াহল্লোই হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনল দিরেক্টর ডা. কে ঐচ সশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কারন্টিন তৌবদা চৎনগদবা কাঙলোনগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, ট্রেন তোংদুনা জিরিবামদা থুংলরবা মীওই পূম্নমক মেদিকেল টিমনা স্ক্রিনিং তৌদুনা লায়ওং উৎথোরকপা মীওই থেংনরবদি তোখায়না থম্লগা মখা তাবা টেষ্ট তৌগনি। লায়ওং উৎথোরক্তবা মীওইশিং খঙদোক্লগা লৈঙাক্না থৌরাং তৌবা বস তোংহন্দুনা মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্ট তম্না চৎহনখিগনি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা হাংদোক্লদবা স্ক্রিনিং সেন্টরদা মেদিকেল টিমনা পেসেঞ্জরশিং স্ক্রিনিং তৌবগী থবক থৌরমশিং মরী লৈনবা দি সীনা হকথেংননা য়েংশিনগনি।

লায়ওং উৎথোরক্তবা মীওইশিং খঙদোক্লগা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমগনি। লায়ওং উৎথোরকপা মীওই য়াওরল্লগদি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা আইসোলেসন ৱার্দতা থমগনি হায়রি।

মে ৬তা কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লোকল ক্লব, ভিলেজ

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

মনা-মশীং থারগা শেন্দোং ফংগনি খঞ্জরুবা লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্নরে

গ্যানন্দ নাওরেম

ককচীং, মে ১৩(ঐচ এন এস): রবি লৌরোক্কী মতমদা মণিপুরগী ওইনা মনা-মশীং, মহৈ-মরোং থাদুনা পোত্থোক পুথোকপশিংগী মনুংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ককচীং খুনৌগী লৌমীশিং অমা ওইরি। লৈবাক শিন-থুংনা লোকদাউন মখা তানা চত্থদুনা মনা-মশীং, মহৈ-মরোং থাজদুনা পোত্থোক পুথোকপা হৌরক্তুনা শেন্দোং ফংলগনি খঞ্জরুবা ককচীং খুনৌগী লৌমীশিংদি কোক্তা খূৎ হাপ্নহৌরি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনদুনা ৱারী শারুবদা ককচীং খুনৌদগী খুমুকচম প্রমোদ মৈতৈ কৌবা লৌমী অমনা হায়খি, ককচীং খুনৌগী লৌমীশিংনা চহী খরগী মমাংদগী হৌদুনা খরিফ লৌরোক লোইরবা মতুংদা রবি লৌরোক্কী মতমদা মনা-মশীং, মহৈ-মরোংশিং হায়বদি খোংদ্রুম, সেবোৎ, মাইরেন, থবী অমসুং তরবুজনচিংবা থানরি। হায়রিবা মহৈ-মরোং মখলশিং অসি ককচীং খুনৌগী লৌকোলশিং হায়বদি পম্পক লৌকোল, চীংহাও লৌকোল, মুকলং লৌকোল, টৌলং লৌকোল, মিনাইচীং লৌকোল অমদি কবোতাবা লৌকোলদা থাদুনা লাক্লি। চহী অসিগীসু ওইনা পূন্না লৌ পরি ৬০ দগী ৭০ ফাওবগী চাংদা থাদুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা লৌমীশিংনা হোৎনজরি।

মহাক্না হায়খি, লৌমী অমনা য়ামদ্রবদা লৌ মরাক অমগী চাংদা মনা-মশীং, মহৈ-মরোংশিং থানৈ। কনাগুম্বা লৌমীশিংনা লৌ পরি অমা ফাওবগী চাংদা থাবসু য়াওনরি। লৌ মরাক অমা রবিগী মনা-মশীং, মহৈ-মরোংশিং অসি য়ানশিন্নদুনা থাবদা লুপা ৫০,০০০গী চাংদা চঙই। অদুম ওইনমক লুপা ২০,০০০ গুম্বগীদি খূৎশুমল পীদুনা নেক্লগা থানরিবনি। ঈশা-ঈশানা শূজরগদি লৌ খোয়বা, মরূ অমদি চারা শেম্বা অমদি অতৈ-অতৈ মেন্টেনেন্সকী ওইনা লুপা ৩০,০০০ রোমগী চাংদা চঙই। কুমগী নোংজু চুরকপগী মতুংইন্না উবা লৌউ মখল ওইবনা পাম্বীশিংনা ঈশিং মথৌ তারকপা মতমদা ঈশিং লৈতবনা লুপা ১,৫০০দগী লুপা ২,০০০ ফাওবগী চাংদা ঈশিং লৈবদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

এন জি, মঙলেম, তাওবুংখোক

মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরীশিংনা মাগী-মাগী পোক্লফম লমদমদা হল্লক্লরিবা অসিদা লমদম অসিগী ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এশিংনা মখোয়-মখোয়গী এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ক্বরন্টিন সেন্টরশিংদা পুশিন্দুনা থম্নবা হোৎনরিবা অসি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু অপুনবা মণিপুরগী ৰাখল্লোলদা য়েংলুরগদি মা-মাগী এ সী খাইদবিদা মণিপুরদা লৈবা মফম কয়াদা থম্নবা হোৎনবিরম্লবদি হেন্না থোইনা অপেনবা হায়বদু ওইগদ্রা খল্লি। হোয়, লৈঙাক্কী তোঙানবা পোলিসি খরা লৈরম্বদি য়াই। অমরোমদা লোকদাউন মনুং অসিদা পুলিসনা লোকদাউনগী চৎনকাংলোন ঙাক্তবা মীওইশিংবু তাকপী-তন্বীবগা লোয়ননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা অসিসু থাগৎনিংঙাইনি। লোকদাউন মনুংদা লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংবু ফাগৎতুনা ফাইন থিহল্লিবা অসি ফৈ অদুবু মাস্ক উপতবা মীওইশিংদনা হেন্না চাউনা ফাইন থিহন্নিংই। মালেমদা কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈথেং অসিবু খঙশিন-উশিন্নদনা তৌগে হায়বগী মতাগুম নত্রগা থৌৱা শাদনা চেকশিন থৌরাং অমত্তা লৌখৎতনা থোক্লরক্লিবসি তশেংনা খুদোংথিনিংঙাইনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলবসু মীয়াম্না ৰাখল খন্থদবগী থৌওং তৌহন্নিংদে। ৱারবদি ঐখোয় পূম্নমক ৱামিন্নগনি হায়বসি খঙমিন্নসি।



কাঙবম গোপেশ্বর, কৈরাও লংদুম মনিং লৈকায়

কোভিদ-১৯না খম থেংনা ৱারবা মতম অসিদা লৈঙাক্না মপান লমদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী অৱাবা উরদুনা মণিপুরদা পুরক্লবা হোৎনরক্লিবা খোঙথাং অসি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু লুরিবদি লোকদাউন মখা তানা অসুমক চৎথরক্লগদি হৌজিক তাংলবসু তাংনা ফংলিবা পোৎলমশিং মতম খরগী মতুংদা লোয়শিনখিবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৰাফম অমনি। চান-থক্লবা পোৎলম কয়া পুথোক্লিবা ফার্মশিংসু লোকদাউননা মরম ওইদুনা থবক তৌবা য়াদনা লৈরে। লোয়ননা লৌউশিংউবগী থবক তৌরিবা লৌমিশিংনা লৌ উনবা হৌনরবসু লমদম অসিগী অয়াম্বা লৌমিশিংনা লৌউবদা তঙাইফদনা চঙলিবা মচাকশিং মপুং ফানা ফংদবনা লৌউ-শিংউগী থবক হৌবা ঙমদনা লৈনরি। লৈবাক্কী চিরবা তানফম ওইরবসু নোংজুথা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা লৌমিশিংগী ওইবা অখন্নবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মদুনা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীবা ঙম্বা খক নত্তনা পুক্কী লানফমসু মায়পাকপা ঙমগনি। অরোইবদা লমদম অসিগী ইরৈচা খুদিংমক্না কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিদগী পারা অমদি তমহৌবা ফৈ।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫